অমৃটসরদা থোকখিবা থৌদোক এক্সিদেন্ট নত্তবনা কম্পেন্সেসন পীরোই : রেলৱেজ

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২০ (এজেন্সী) :

অমৃটসরদা থোকখিবা থৌদোক অদু ট্রেন এক্সিদেন্ট নত্তবনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংদা কম্পেন্সেসন পীবগী ৱাফম লৈরোই হায়না ইন্দিয়ন রেলৱেজনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা রেলৱেজনা ইনক্বারি চত্থবগী মথৌ তাদে হায়না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর রেলৱেজ মনোজ সিনহানা মাঙজৌননা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মহাক্না হায়খি, করম্বা মফমদা তপ্না থৌগদগে হায়বগী মতাংদা ট্রেন থৌরিবা দ্রাইভরশিংদা অখন্নবা ইন্সত্রক্সন পীখি। থৌদোক থোকখিবা মফম অদু তপ্না থৌবা য়াবা মফম ওইখিদে। মরম অদুনা খোঙজেল য়াংনা থৌখিবনি। রেলৱে ট্রেক মনাক্তা মীচম মীয়াম্না য়ারিবমখে হরাও-কুম্মোগা মরী লৈনবা থৌরম অমত্তা পাঙথোক্লোইদবনি। মীওই খরনা রেলৱেজদা মরাল শিরকখিবা তারবসু ইন্দিয়ন রেলৱেজগী ওথোরিটিশিংনদি মশা ঙাকথোক্নবা হোৎনরদুনা হায়খি, খোঙজেল য়াংনা চেল্লিবা ট্রেন অমবু খুদক্তা হেক্তা খোঙজেল তপথহনবা য়াদে। করিগুম্বা ইমর্জেন্সি ব্রেক শীজিন্নবা তারবসু ট্রেন অমবু খুদক্তা হেক্তা লেপহনবা ঙমদে। মদুগীসু মথক্তা অমৃটসরগী থৌদোক অদু মৈ মম্বা মফমদা থোকখিবা মরম্না ট্রেনগী দ্রাইভরনা মীওই কয়ামরুম লৈ হায়বা উরমদবা য়াই।

চৈরকসিদা, অমৃটসরগী থৌদোক্তুনা লৈখিদ্রবা নুপামচা অমগী ইমুং-মনুংনা অমৃটসর-জলন্ধর হায়ৱেদা অশিবা হকচাং পুথোক্তুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখ্রে। রেলৱে অমসুং ওথোরিটিনা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংদা মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীগদবনি হায়না খোঙজং চঙশিল্লিবশিংনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, রেলৱে বোর্দকী চেয়রমেন অস্বানি লোহানিনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, রেলৱে ট্রেক পরিংদা দসেরাগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়বগী মতাংদা মাঙজৌননা পাউ পীরকখিবা লৈতে। মদুগীসু মথক্তা রেলৱে ক্রোসিংদা থোকখিবা থৌদোক নত্তবনা ট্রেন দ্রাইভরদা মরাল শিবা চুমদে। খোঙজেল য়াংনা চেল্লিবা ট্রেন খুদিংমক খুদক্তা হেক্তা তপথহনবা য়াদবা মরম্না য়ারিবমখে মীচম মীয়াম্না ট্রেন লাক্লে খঙলবদি লাপ্না থৈদোক্লদবনি। লেভেল ক্রোসিংদদি রেলৱেগী ষ্টাফ লৈবা মরম্না ট্রেন লাকপা তারবসু মীয়াম্না মাঙজৌননা চেকশিন ৱারোল পীরম্বা য়াবনি। ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদুগী অমৃটসর অমসুং মানাৱালা ষ্টেসনগী মরক্তা রেলৱেগী ষ্টাফ অমত্তা লৈতবা মফমদা থোকখিবনি।

থৌদোক থোকখিবা মফমদগী মিটর ৪০০ লাপ্না রেলৱেগী ষ্টাফ অমা লৈখি হায়না পল্লদুনা রেলৱেনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, মতাং অদুদা করিগুম্বা দ্রাইভরনা ইমর্জেন্সি ব্রেক শীজিন্নরম্বা তারবদি ট্রেন এক্সিদেন্ট থোক্তুনা অমুক্কা হেন্না মীশি-মীনা য়াওরম্বা য়াই। অহানবা ফংবা রিপোর্ট মতুংইন্না দ্রাইভরনা ব্রেক শীজিন্নদুনা ট্রেনগী খোঙজেল তপথহন্নবা হোৎনখিবগী খুদম ফংলে। অদুম ওইনমক মাঙজৌননা পাউ পীরকখিবা লৈতবনা ট্রেন থৌরক্লিবা দ্রাইভর অদুগী মফম অদুদা দসেরাগী থৌরম পাঙথোক্লমগনি হায়বা হান্না খঙখিদে।

অমৃটসরদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা জি আর পি পুলিস ষ্টেসনদা এফ আই আর অমা লৌখৎখিবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবা হৌরে হায়না অতোপ্পা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। পনবা য়াবদি, রেলৱে ট্রেক্তা দসেরাগা মরী লৈননা রাবনগী মীতম মৈ থাবগী থৌরম পাঙথোক্লিঙৈদা খোঙজেল য়াংনা থৌরকখিবা লোকেল ট্রেন অমনা তকপদা মীওই ৬০ হেন্না শিখিবনি। থৌদোক অদুদা মীওই ৭০ রোমসু অশোক অপন নংখি।

আর কে পচোরিগী মথক্তা সেক্স্যুয়েল হেরাসমেন্টকা মরী লৈননা চার্জ ফ্রেম তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২০ (এজেন্সী) :

দিল্লিগী কোর্ট অমনা মমিং লৈরবা ইনভাইরনমেন্টেলিষ্ট আর কে পচোরিগী মথক্তা সেক্স্যুয়েল হেরাসমেন্টকা মরী লৈননা চার্জ ফ্রেম তৌখ্রে।

দিল্লিগী সকেট কোর্টনা হায়খি মদুদি, মথং চহীগী জান্যুৱারি ৪ দা কেস অসি ট্রাইয়েল চত্থবা হৌবগা লোয়ননা খুদম চাংদম পুম্নমক রেকোর্দিং তৌবা হৌরগনি। পচোরিনদি অতেনবা মতমগী মনুংদা খোঙজেল য়াংনা ট্রাইয়েল চত্থবীনবা কোর্টতা হায়জরদুনা হায়খি, ইশাগী চহী ৭৮ শুরবা মরম্না কেস অসি খোঙজেল য়াংনা ট্রাইয়েল চত্থবগী তঙাইফদবা লৈরি। দিফেন্সকী মায়কৈদা লেপ্লিবা এদভোকেট অশিস দিক্সিদনা হায়খি, কেস অসি পন্দুনা লৈবনা পচোরি অমসুং মহাক্কী ইমুং-মনুংদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে। সেক্সন ৩৫৪ (নুপীগী ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবা), ৩৫৪ এ (সেক্স্যুয়েল হেরাসমেন্ট) অমসুং সেক্সন ৫০৯ (নুপীগী ঈকায় খুম্নবা শোকপা য়াবা ৱাফম ফোঙদোকপা) গী মখাদা পচোরিগী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌখিবনি।

কুমজা ২০১৫ দা পচোরিনা থবক তৌমিন্নবী নুপী অমদা অরানবা থৌওং চত্থখি হায়বগী মরী লৈননা চার্জ ফ্রেম তৌখি। ৱাথোক অসিনা মরম ওইরগা কুমজা ২০১৫ গী ফেব্রুৱারিদা পচোরিনা য়ু এন ইন্টর গভর্ণমেন্টেল পেনেল ওন ক্লাইমেট চেঞ্জগী চেয়রপার্সনগী ফম থাদোকপা তাখি। দি এনর্জি এন্দ রিছোর্সেস ইনষ্টিট্যুট (টি ঈ আর আই) গী ফমসু থাদোকপা তাখি।

লোকেল কোর্ট অমনা ইনভাইরনমেন্টেলিষ্ট আর কে পচোরিদা নোটিশ থারকখ্রবা মতুংদা টি ঈ আর আইগী চীফ ওইরম্বা পচোরিনা ৱাথোক অসিদা মহাক্কী মরাল লৈতে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়াগী জুদিসিএরিদা চেৎনা থাজবা মরম্না অচুম্বা ৱায়েল চত্থরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

হৌখিবা জুলাই ১১ দা মেট্রোপোলিটান মজিষ্ট্রেট সিবানি চৌহানগী কোর্টনা পচোরিগী মথক্তা হিয়ারিং চত্থখি। পুলিসনা প্রোসিক্যুসনগী ৱিটনেস ২৩ অমসুং পচোরিনা থাখিবা টেক্স মেসেজ, ঈমেল অমদি ৱাটচএপ মেসেজ কয়ামরুম কোর্টতা পুথোরকখি।

মমাঙ চহীগী নবেম্বরদা নুপী রিছার্সর অমনা পচোরিগী মথক্তা সেক্স্যুয়েল হেরাসমেন্টকী মরাল শিখিবগা লোয়ননা টি ঈ আর আইদা পায়রম্বা ফম থাদোকখি। ফেব্রুৱারি ৮ দা পচোরিবু ওর্গনাইজেসন অসিগী এগজিক্যুটিব ভাইস চেয়রমেন খনখি। থৌওং অদুবু মায়কৈ কয়াদগী অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখ্রবা মতুংদা ফেব্রুৱারি ১২ দা মহাক্না ওর্গনাইজেসন্দগী মতম কক্তুনা ছুটি লৌখিবনি।

বি জে পিগী কাউন্সীল্লরনা য়ু পিগী পুলিস ফূখ্রে

মিরুট, ওক্টোবর ২০ (এজেন্সী):

উত্তর প্রদেশকী মিরুট সিটিদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী কাউন্সীল্লর অমনা হোটেল অমদা থোকখিবা থৌদোক অমগী মতুংদা য়ু পিগী পুলিস অমা ফূখ্রে।

বি জে পিগী কাউন্সীল্লর মুনিস কুমারনা পুলিস ওফিসর অদু ফূবগী থৌদোক অদু ভিদিওদা রেকোর্দ তৌখিবগা লোয়ননা সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইখি। থৌদোক অদু সব-ইন্সপেক্টর অদুগা নুপী লোয়র অমগা লোয়ননা বি জে পিগী কাউন্সীল্লর অদুনা মপু ওইবা হোটেল অদুদা নীংঙাই শংদাইনবা থৌদোক অমা থোরকপদগী খুৎ থানবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। ভিদিও অদুদা কাউন্সীল্লর অদুনা পুলিস ওফিসর অদু য়ু থক্তুনা লৈরম্মী হায়বগী মরাল শিখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা খুৎ থাখিবনি। মুনিস কুমার বেল ফংদবা ওফেন্সকী মখাদা ফাদুনা হয়েং কোর্টতা পুথোক্কদৌরি। মহাকপু শৌগৎপা লাকখিবা মীয়ামশিং থৌদোক থোকফম অদুদগী পুলিসনা তানখায়দুনা ফীভম অদু লাকশিনখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শ্রীলঙ্কাগী লুচিংবগা ৱারী শান্নদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা অফবা মরী থমগদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২০ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শ্রীলঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টর ৱিক্রেমেসিঙ্গেগা ঙসি ৱারী শান্নদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা মরী অদু মমাঙ লৈরম্বা থাক অদুদগী হেন্না ফগৎনবগী ৱারেপ লৌনখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং শ্রীলঙ্কানা মতম শাংনা লৈনরকখিবা মরী অদু ইন্দিয়াগী বি জে পি লৈঙাক্লা থৌ পুদুনা চহী খরা অসিদা তোঙান তোঙানবা ফোরেন পোলিসী পায়খৎলকপদা শ্রীলঙ্কাগী শরুক চাউনা য়াওই। পুৱারীগী ওইবা লৈবাক অনীগী মরী নকশিন্নবগী য়াবগী লম্বেল কয়াসু লৈরে।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়রস (এম ঈ এ) গী মায়কৈদগী থোরকপা ৱারোল অমগী মতুংইন্না ইন্দিয়া অমসুং শ্রীলঙ্কাগী লুচিংবা অনীনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা হেন্না খুন্মাং চাউশিন্নবগী থবক পায়খৎপগা লোয়ননা মালেমগী ওইনা লৈরিবা হিরমশিংদা লৈবাক অনীগী ওইবা অপূনবা শক্তম অমা উৎননবা ৱারী শান্নবা অদুদা য়ানবা পুরকখি।

ইন্দিয়া অমসুং শ্রীলঙ্কানা মশিং য়াম্লবা হিরমশিংদা য়ানবা পুরকখ্রবা মতুং লৈঙাক্কী ওইবা ৱারোলশিং, লম্লোন-ইতিক্কী, চাউখৎ খোঙথাং, হকশেল অমসুং লাইরিক-লাইশু তম্বগী, ইনফ্রাষ্ট্রকচর, অমগা অমগা ৱারী শান্নবা য়াবগী খোঙথাংগা লোয়ননা লৈবাক অনীদা লৈরিবা মীওইশিংনা পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌনবগী মতাংদা অহেনবা খুদোংচাবা পীননবগী খোঙথাং অদু লৌখৎনবদা য়ানখি। কুমজা ২০১৭ গী মে থাদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শ্রীলঙ্কাদা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা থমখিবা ৱারোলশিং অদু থবক ওইনা পাঙথোক্ননবা হোৎনরকপদা খুন্মাং চাউশিল্লি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

শ্রীলঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টর রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা কুমজা ২০১৭ তা ইন্দিয়াদা অনীরকশুবা খোঙচৎ ওইনা এপ্রিল অমসুং নবেম্বর থাদা লাক্তুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ খোঙথাংগী হিরম কয়াদা ৱারী শান্নখি। নরেন্দ্র মোদিগী খোঙচৎ অদুদা হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ অমসুং এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজসু য়াওখি। মখোয় অনীনা শ্রীলঙ্কাগী লেং মান্নবা লুচিংবশিং অদুগা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা ৱারী শান্নখি।

ইন্দিয়াদা অহানবা ক্রিপ্তোকরেন্সি এ টি এম বেঙ্গলুরু সিটিদা ঙসি লোঞ্চ তৌখ্রে

ATM
INSTANT DEPOSIT & WITHDRAWALS
FOR YOUR UNOCOIN ACCOUNT

বেঙ্গলুরু, ওক্টোবর ২০ (এজেন্সী) :

রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই) না ক্রিপ্তোকরেন্সিশিংগী দিলিংদা অথিংবা থম্লবসু লৈবাক অসিদা অহানবা বিটকোইন এ টি এম হৌদোকখ্রে। সার্ভিস অসি মালেমগী লৈবাক কয়াদা লৈনরিবনি।

ক্রিপ্তোকরেন্সি এক্সচেঞ্জ য়ুনোকোইননা বেঙ্গলুরু সিটিদা বিটকোইন এ টি এম অদু লোঞ্চ তৌখি। এ টি এম অদুনা কষ্টমরশিংবু কিওস্কতা শেল (রুপিজ) দিপোজিট তৌবা অমসুং লৌথোকপা য়াহল্লগনি।

য়ুনোকোইননা হায়, আর বি আইনা হৌখিবা জুলাইদা ক্রিপতো-করেন্সিশিংগী দিলিংদা অথিংবা থমখিবা মতুংদা এ টি এম লোঞ্চ তৌনবগী ৱারেপ লৌখিবনি। হন্দক্তা আর বি আইগী নোটিফিকেসন অমনা ভার্চ্যুঅল করেন্সিশিংগী দিলিংদা অথিংবা থমখিবদগী মতম খরগী মমাঙদা ঐখোয়গী বেঙ্কিংগী মরীশিংদা অকায়বা থোকখি হায়না য়ুনোকোইননা ফোঙদোকখি।

য়ুনোকোইননা দিল্লি অমসুং মুম্বাইদসু মান্নবা কিওস্কশিং হৌদোক্লবা থৌরাং তৌরি। কষ্টমরশিংনা কিওস্কতা শেল থম্বা অমসুং কিওস্কতগী শেল লৌথোকপা য়ারগনি। ত্রাঞ্জেক্সনদা বেঙ্কশিং চেন্নরোইদবনা কিওস্কনা দেবিট নৎত্রগা ক্রেদিট কার্দশিংদি লৌরোই অমসুং দিপোজিট অমদি ৱিদ্রোৱোলগী খ্বাইদগী পীকপা শেনফম লুপা ১০০০ নি অমসুং লুপা ৫০০ গী বেঙ্ক নোটশিংখক্তমক য়াগনি। সেন্ট্রেল বেঙ্কনা মসিনা রেগ্যুলেট তৌবা বেঙ্ক অমসুং কম্পেনি খুদিংমক্তা চহী অসিগী জুলাই ৬ তগী ক্রিপ্তোকরেন্সিশিংদা দিলিং তৌবা ফার্ম খুদিংমক্কা লৈনরম্বা মরী তৎননবা খঙহনখ্রবনি। চৈরকসিদা, ক্রিপতোকরেন্সিশিং ইনি দয়াদা লিগেল টেন্টর ওইদে হায়না লৈঙাক্না ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াই, হন্দক্তা অর্জেন্টিনা বিটকোইন এ টি এম ৩০ ইন্সটোল তৌখি। লৈবাক অসিগী করেন্সি পেসোগী ভেল্যু য়ু এসকী দোল্লরগা য়েংনবদা হন্থরকপদগী ক্রিপ্তোকরেন্সিগী দিমান্দ হেনগৎলক্তুনা এ টি এমশিংদু ইন্সতোল তৌখিবনি।

‘কেরেলাবু মতেং পাংগনি হায়বা ৱাশক প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙাক্ত্রে’

তিরুবনন্থপুরম, ওক্টোবর ২০ (এজেন্সী): হন্দক্তা ঈশিং-ঈচাউ থোক্তুনা অমাঙ-অতা কয়া থোকখ্রবা কেরেলা নৌনা শেমগৎ-শাগৎনবগী ফন্দ খোমগৎনবা হোৎনবদা অপনবা পীদুনা ষ্টেট অসিবু মীচঙ-মীখায় নাইবা মীৎয়েংনা য়েংই হায়না কেরেলাগী চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি ভিজায়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু মরাল শিখ্রে।

হন্দক্তা কেরেলাদা ঈশিং-ঈচাউ চাউনা থোক্তুনা মীওই ৪০০ হেন্না শিখিবনি অমসুং লুপা ক্রোর লিশিং কয়াগী লন-থুমশিং মাঙ-তাকখিবনি। ফেসবুক পোষ্ট অমদা কেরেলাগী সী এমনা প্রাইম মিনিষ্টরবু ষ্টেট কেবিনেট মিনিষ্টরশিংনা ষ্টেট অদুগী শেমগৎ-শাগৎপগী থবক্কা মরী লৈননা ফন্দ খোমগৎনবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা খোঙচৎ কয়া চৎনবগী ক্লিয়ারেন্স পীগনি হায়না থাজবা পীখিবদু ঙাক্ত্রে হায়না মরাল শিখি।

প্রোজেক্ট কয়া নৌনা শেমগৎ-শাগৎপদা মালেমগী মালায়ালি কম্যুনিটিগী মতেং লৌনবগীদমক পুন্না কেরেলাগী মিনিষ্টর ১৫ লৈবাক ১৩ দা চৎনবা সেদ্যুল তৌখি। অদুবু এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্ট্রিনা মখোয়গী খোঙচৎশিং অদুগী অয়াবা পীখিদে হায়রি। অদুম ওইনমক চীফ মিনিষ্টর ভিজায়নবুদি য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটস (য়ু এ ঈ) চৎনবগী অয়াবা পীখি।

চীফ মিনিষ্টরনা প্রাইম মিনিষ্টরগী থৌওং অদু কেরেলাবু অচান মীরাই নাইনা য়েংদুনা তাথিবগী মওংনি হায়খি। মহাক্না হায়খি, মোদিনা গুজরাতকী সী এম ওইরিঙৈদা ভুজদা য়ুহা হাখিবা মতুংদা ষ্টেট অদুবু নৌনা শেমগৎ শাগৎপদা মালেমগী গুজরাত্তি কম্যুনিটিগী মতেং লৌনবগীদমক্তা তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদা চৎখি।

চীফ মিনিষ্টর ভিজায়নগী মতুংইন্না মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর উনবদা মিনিষ্টরশিংদুগী খোঙচৎশিংগী ক্লিয়ারেন্স পীবীনবা হায়জখি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরনসু মতেং পাংগনি হায়না থাজবা পীখি। এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্ট্রিনা চিরক্লবা মতমসিদা পর্মিসন পীরক্তবগী মরম মহাক্না খনবদা থোক্তে। প্রাইম মিনিষ্টরনা মঙোন্দা থাজবা পীখিবদু ঙাক্ত্রেহায়না ভিজায়ননা মহাক্কী ফেসবুক পোষ্টতা ইখি।

জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী নাগ্রোটা আর্মি কেম্পতা এটেক চত্থরকপদা চেন্নবা জে ঈ এমগী মীওইশিং এন আই এনা ফাখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২০ (এজেন্সী):

জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী নাগ্রোটা আর্মি কেম্পতা চত্থরকখিবা টেরর এটেক্কা মরী লৈননা শরুক য়াখিবা জে ঈ এম (জাইস ঈ মহমদ) কী মীওইশিং ঙসি ইন্দিয়াগী নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) না ফারে হায়না ওফিসল ওইবা ৱারোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এন আই এগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী নাগ্রোটা আর্মি কেম্পতা চত্থখিবা টেরর এটেক অদুদা চেন্নবা মীওইনি হায়না চিংনবা মীওই অমা ন্যু দিল্লিগী ইন্দিরা গান্ধী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা ফারে হায়খি।

ফারবা মীওই অদু জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্তা লৈবা জাইস ঈ মহমদকী খোঙবু অমা ওইরিবা মহমদ অসরফ খান্দেনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি। মহাক ন্যু দিল্লিগী ইন্দিরা গান্ধী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা শ্রীলঙ্কা ফাওদুনা সাউদি অরাবিয়াদা য়ৌগদবা ফ্লাইট অমা তোংনবা হোৎনরম্বদগী ফাখিবনি।

ইন্দিয়াগী কাউন্টর টেরর থিজিন্নবা লৈরিবা এজেন্সীগী ওফিসল অমা ওইরিবা খান্দেনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, ফারবা মহমদ অসরফ খান্দে মমাঙদা জাইস ঈ মহমদ টেররিষ্ট লূপকী মনুং চন্না লৈবা মীওইনি। পাকিষ্টানগী খুৎলায় মতিক চানা পায়রবা কাঙলুপ অহুম ইন্দিয়াগী বাউন্দরি লানশিন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং পাংখিবা মীওই অমনি হায়খি।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১৬ কী নবেম্বর ২৭ অমসুং ২৮ গী লোন্নবা অহিংদা জাইস ঈ মহমদ লূপকী মায়কৈদগী জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী কাথুৱা-শম্বা সেক্তরদা পাকিষ্টানগী মায়কৈদগী চঙশিল্লকপদা খান্দেনা মতেং পাংখিবনি হায়রি।

কুমজা ২০১৬ কী নবেম্বর ২৯ দা জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী নাগ্রোটা আর্মি কেম্পতা খুৎলায় পায়বা টেররিষ্টশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অদুদা ইন্দিয়াগী আর্মি পর্সনেল তরেৎকী থৱায় মাঙখিবনি। লোয়ননা অতোপ্পা অহুমনা অশোক অপন নংখি। থৌদোক অদুদা চঙশিল্লকখিবা সুইসাইদ স্কৱাদ অহুম্মক ইন্দিয়ন আর্মিগী ওপরেসন্দা হাৎপা ঙমখি হায়রি।

TREATED SUCCESSFULLY

মায় পাক্লা লায়েংজরি



PH. ALAM

PILES : খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, শৌজ নাম্থবা, ঈ তাবা, মনুং-মপান্দা পোম্বা, মচুম তাবা, নুংশিৎ কাবা, শৌজদা মরেং-মরেং চৎপা, খোঙ হাম্বদা অকনবা অমদি মরু-মরু ওইনা হাম্বা অসিনচিংবা।

GASTRIC : চাবা তুমদবা, পুক নুংশিৎ কাবা, পুক নাবা, থিনবা, শাওবা, খোঙ হাম্বদা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা।

STONE CASE : পুক থিনবা, নাবা, শাবা, খ্বাঙ নাবা অসিনচিংবা।

ASTHMA AND COUGH: শ্বর হোনবা ৱাবা, খৌ মনুংদা কঙশিল্লগা লোক খুবা, থবাক ফুল্লগা শ্বর হোনবা ৱাবা, শ্বর মপুংফানা হোনবা ঙমদবা অসিনচিংবা।

SINUS : নাতোন মরেং মরেং চৎপা, নাতোন্দা মহি তাবা, নাতোন ফুনবা, কোক চিকপা, হকথি তোয়না খনবা অসিনচিংবা।

LIVER, JAUNDICE, SUGAR : লিভর জোন্দিস অমসুং সুগর প্রোব্লেম্ চিংবা লায়েংজরি।

BODY PAIN (PARALYSIS) : খোঙ-খূৎ হকচাংনচিংবা শিথবা, হকচাং শিন-থুংনা চিকপা নাবা, তাং-তাং চিকপা, শীংলি-শীংনাও শোনবা, কোক চিকপা নাবা, পোম্বা, শারগা পোম্বা অসিনচিংবা লায়না কয়া মায় পাক্লা লায়েংজরি।

1. NEXT TO IMPHAL BAZAR COMMUNITY CREMATION GROUND MINUTHONG

2. KAKCHING BAZAR, PHUNGA SHOPPING COMPLEX, 1ST FLOOR NEAR TRAFFIC POINT, KAKCHING DIST.(WEDNESDAY & THURSDAY) OPEN

MOBILE NO.: 8787579776 / 8259968220

HL-P/5518/13/10-12/11/Alt.

শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নম:



তাইবংপানসিদা ঐখোয় খ্বাই পুম্নমকপু নাওকোনবিরম্বা **লাইশ্রম ৺মহাজোন** না মহাক্কী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতে অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পুম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ১১/১০/২০১৮ ইং, মেরাগী নিনি পানবা শগোলশেন নুমিত্তা শ্রীগুরুগী থৌজালদগী মোধুসুদোন চৈতন্যা দাস হায়বা মীংথোল ফংজদুনা ঈশ্বরগী খুয়া তমজখ্রে। হৌখিবা তাং ১৬/১০/২০১৮ ইং, মেরাগী ৭ নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অস্থি সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ২৪/১০/২০১৮ ইং, মেরাগী ১৫ নি পানবা পুর্ণিমা, য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সরাধ নুমিৎ থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী থৱাইনা শান্তিগীদমক্তা ঙমজবা হৈ-লৈ খরদং ঈশ্বরগী মফমদা কৎচগদৌরি। থৌরম অসিদা অহল-লমন, ইমা-ইবেল, মরুপ-মপাং অমদি মহাক্না তিন্নবীরম্বা ঐখোয়নদি শক খঙজহৌদ্রবা খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বীরনবা পাউচেগী থোংদা নোল্লুক্লা পাউজেল কৎচরি।

থৌরম পরেং ঃ অস্থি-সঞ্চয় ঃ তাং ১৬/১০/২০১৮ ইং মেরাগী ৭ নি পানবা লৈবাকপোকপা, সরাধ নুমিৎ ঃ তাং ২৪/১০/২০১৮ ইং, মেরাগী ১৫ নি পানবা পুর্ণিমা য়ুমশকৈশা।

কৎচরিবশিং :- শ্রীমতি লাইশ্রম ওংবি সনাহনবী (লোয়নবী)

লাইশ্রম শান্তা (মচানুপা)

HL-P/2300/20&21 *খাঙবোক অৱাং বাঁশিবোদোন লৈকাই পার্ট-১।*

TODAY
BUMPER HOUSIE
Ticket Rate
Rs.2000/-
IN AID OF
UVSA
Regd. no. 265/SR/IW/2003
Time :
4:30 pm
MINI BUMPER
Ticket Rate
Rs. 100/-
Housefull:
Gold 1 TulA
1st
Housefull:
New i20
ELITE i20
MINI BUMPER
Ticket Rate
Rs. 600/-
2nd
1st
2nd
3rd
4th
5th
VENUE : SINGJAMEI THONGKHONG / DATE : 21 OCTOBER, 2018

HL-P/5549/21

/কোক তোয়না চিকপা নাবা, নপ শিৎপদা নাবা, কোক লুম লুম লাওরগা লৈবা, নাতোন ফুনবা, নাতোনদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

ঐগী হকচাংদা সাইনসনা মতম শাংনা নাদুনা কোক তোয়না চিকপা নাবা, নপ শিৎপদা নাবা, কোক লুম লুম লাওরগা লৈবা, নাতোন ফুনবা, নাতোনদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, নুংশা মঙাল উরগা কোক চিকপা হেনবা, লোক তোয়না থুংবা, চাবা থকপদা মহাও ইফাও ফাওদবা, শ্বর মনম নমথিবা, মায়, মীৎ হাক্কৎচবা, নাতোন মনুংদা চাথৎপা, চানিং থকনিংবা পোক্তবা, হকথি তোয়না খনবা, নাতোন অনীমক ফুল্লগা শ্বর হোনবদা ৱাবা, য়ারোমদা শ্বর হোনবা, নাই তোয়না তাবা, কোক ঙাওবা, নপ মহি তাবা, হকথি তোয়না খনবা, নাতোনদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, হকচাং চোকথ-ৱান্থবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা ফহনবগীদমক ওজা **MV AZAD PHUSAM** হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Bazar near traffic point.

থাগৎচরিবী : **O. SUMATI**
Wangoi

HL-P/5533/21